# তাইবঙদা লম্মুক্লদনবা হৌজিক করি লাইনীং চৎকনি? - ৩

**ৱাখল ইহুল**

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**তাইবঙপান** অসিদা লৈরিবা লেংবা-চৎপা ঙল্লিবা খুদিংমক্কা তূম্বা হায়বসি শিবা তম্বনি, হৌগৎপা হায়বসিনা হিংবা তম্বনি অদুনা 'তূম্বা-হৌগৎপা' হায়বসি 'শিবা-হিংবা' অনীগী মরক্তা অহিংবা থৱায় পানবশিংনা থেংনরিবা, থেংনগদবা লেপ্পা লৈতবা থৌওংনি। তোম্বা কৌবা নুপাদো ঙরাংতা, ঙসাইতা উরম্মী অদুগদি শিরে হায়বা পাউ তাই। তোম্বীদু হৌগৎলক্তে হায়দুনা য়েংলুবদা শিদুনা লৈরল্লে হায়নরি। নমু তাইবঙ মীদা মপুনা পীরম্বা চহী পুন্সিদি চাম্মা নিপাননে। অদু শুনা পীরবসু থৌরম্না কনবনা, লাংফম্নদি য়াম্বনা পীরম্বা পুন্সিবু য়ৌঙমদনা মানা মানা তৌজরকপা থৌরমগী মহয়না মথাদা তেক্লরি। অখঙবশিংনা শৈথানরি - 'ঙসি শিনি পাউজেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে।'

তাইবঙপানসিদা লৈরিবশিংনা অমল শীং কুম্বগী মতাংদা চথদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৌশিং-পুক্কে (সাইন্স) অমদি লাইনীং-লাইশোন (রিলিজন) অনীগী মরক্তা লৈনবা ৱারোল খরদং থমজগে। মালেমগী মফম খুদিংদা চাওখৎপগী থাক মান্নদে। চাওখৎপা ৱাৎপা লৈবাকশিংদনা পোকপা শিবা অনীগী চাং য়েংনবদা হকশেলগী লৌশিং অমদি থৌরাং ৱাৎপনা শিবগী চাং ৱাংই হায়বসি লোয়না খঙনৈ। মসি নৎতবা লৈবাক অতৈদনা হিংবগী চাং ৱাংই। অমনবু হেল্লবদি তাইবংপান/মালেমসিদা চাং মান্নদবগী অৱাবা চৈথেং অমদি ইফাওদা ফাওহল্লি। শিগনবশিংনা হিংনবা, হিংগনবশিংগীনা শিহন্নবগী মরম - মহৌশাগী ওইনা নৎত্রগা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা খল কায়হল্লকপগী - সুনামি, নোংলৈ-নুংশিৎ অকনবা, ঈশিং-ঈচাও, য়ুহা-হাবা, মশক খঙদ্রিবা লায়না মখল কয়া অসিনচিংবা। লাইগা-মীগা, নাকল অমরোমদা খঙ হৈবা তান্নবা। মালেমদা মী হাৎনবা অমদি কন্নবা হোৎনরিবা অসিদি লাইনা শেম্বা মী করম্না শিহনগনি, কনগনি হায়বসি লাইনীং-লাইশোলদা মরিক চুম্না পীরমই।

মসিদগী খজিত্তুং থৈদোক্লগা মালেমদা লৈরিবা মীওই-কাঙলুপশিংনা থাজনরিবা লাইয়ামশিং মশক মমিং তোঙাল্লবসু অমৎতা ওইবা মাল্লে - লাইশিংসু মীওইবশিংগুম্না তৌবা মাল্লে হায়বসি হান্না খঙলমদবদু ইনাৎকী লাইনীং পরে চেৎপা অহল অমগী মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অমগী ৱারী শাজরুবদা তাকপীরকখিবদগী খঙবা ঙল্লকখি। অইবনা ইশাগী চহী ১২/১৩ রোম শুরকপা অদুৱাইদা ইমা, ইপাবু পোকপা অবোকশি, ইমাশি, কৈরোল লৈকায়গী মীওইশিং খরা, অতৈ মীওই ৩০/৪০ রোম মীয়াম্না কৌব্রু চীংদা লৈরিবা ইবুধৌ কৌব্রু লাইখা চৎসি হায়দুনা চৎপা খোঙচৎ অমদা অঙাং ওইনা য়াওজখি। তশেংনা হায়বা তারবদি অইং-অশু কাবা, চাবা-তূম্বা মতম কায়বদগী অৱাবা খরদি মতমদুদা নংখি। চীংয়াং য়ৌরক্লবা মতাংদা উজাও য়ান্থৎলগা চৎকদবা লম্বী ফৈজিন্দুনা থল্লম্বদগী চৎকদবা লম্বী খঙদবদগী মতমদুদসু লমহেনবা মখূৎ মশা হৈবা নহা খরনা মখোয়না শাজবা হৌজিক্কী পিষ্টোলদগী খরা হেন্নদি শাংবা পায়বা খরনা কোয়চৎ চৎতুনা লম্বী থিরুবদা- মতমদুদা অহলশিংনা তাকপীখিবদা - কৌব্রু লাইশা- নহাশিংদুনা হান্না খনবদনা তুপ তুপ লাউবা মখোল তাবদু মী লৈব্রা খন্দুনা মায়কৈ অদোমদা চঙশিল্লুবদা মরাং-তুরাং তৌবা মউ-শাংলবা ইবুধৌদু ওইরম্বদগী পাখৎতুনা চেন্থোরকপা নহাশিংদা নৎতনা অতৈ অহলশিংদি মখোলদু তাবদা হান্না খঙলবনিনা তুং খরা হন্দোক্লগা মফম খরা চাবা মফমদা অহিংদুমা লেল্লগা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরগা লম্বী থিরগা চৎসি হায়না খাঙবদা ৱাখিবা। অসুম্না খরা হন্দোক্তুনা লৈরবা কান্দদি তুপ-তুপ ফুবগী মখোলসু তাখিদ্রে। অকিবা শগুদুসু তৌরকখিদ্রে। খঙনীংদনা অহল নুপা ইপুবোক কৌবা অমদা হংলুবদা - কৌব্রু লাইশানা চৎলিবা মখোয়না চৎকদবা লম্বীদু লাল্লে, হন্দোক্লো হায়না তাকপীবনি অদুনা মখা তানা অকি-অখং পীদবনি' হায়না তাকপীরকখি।

অসুম্না অহিংদুমা পল্লগা নোং ঙানফুং ঙানফু তৌরকপদদি খজিক্তুং থৈদোক্লগা মীয়াম্না চৎনবা খোঙ লম্বেল মতুং ইন্না চৎলগা ময়াম কৌব্রু লাইখাগী থেল, পুখ্রি লৈবদু য়ৌরকখি। নোংদি ঙহাক চু, ঙহাক হাং তৌদুনা অদুম মরৈ। তালক্তুদা মীথুংশঙ অমখক লৈবদুসু মীনা পীক থন্না লৈরম্মী। ঈংবদগী মৈনাক্তা চঙলগা ঙহাক ফমলুই। মৈ মনাক্তা ত্রাইবেল নুপা অনী-অহুমনা চাক্লিবা মৈগী শিঙ য়াঙলগা লৈরমই। নোং কন্না চুবদা মীয়াম য়াম্না ৱানবদু উবদা নুংঙাইতবদগীনি খঙদে, হায়গে হায়দুনা হায়বনি খঙদে, মখোয়গী মরক্তগী ত্রাইবেল অহল অমনা অসুনা হায়খি 'হে! কৌব্রু কৌবা লাই, মী ময়ামসি য়াম্না ৱানরে। অদুনা প্রভু যিশু নঙনা কৌব্রু লাইদা হায়বিরগা নোং হাংহনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবসি ফহনবীয়ু।' মতমদুদা অঙাং ওইজরবসু তাবদা য়াম্না নুংঙাইখিদে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু নোংদু চানরুবননি খঙদে অদুম হাংখ্রে। থৌদোক্তু কাউবা ঙমদনা অদুম নীংশিংদুনা লৈরবা মতম কুইরবগী মতুংদা ইশাগী চহী ২৫ রোম শুরকপা মতমদা ইথক্কী অহল খরগা লাইনীংবা (ইনাৎকী) অহল অমগী মনাক্তা চৎপগী খুদোংচাবা ফংবদগী অহলদুদা থোকখিবা থৌদোক্কী ৱারীদু লীজরগা ইশাদা ফাওরকখিবা নুংঙাইতবদু কোক্লবা হায়জখি। মদুদা লাইনীংবা অহলদুনা নোকমি নোকমি তৌরগা অসুম্না হায়রকখি 'চীংমী অহলদুনা লোল হৈতবদগী অমদি মাগী থাজজবা লাইদি প্রভু যিশু ওইবনা, যিশুগী নোং খাম্বদু ঙমদবনা ইনাৎকী লাই কৌব্রুদা হায়জরগা নোং খামহনবিয়ু হায়জবদগী খামখিবনি। যিশুনা খাম্বা ঙম্বা নত্তে হায়বসি মখোয়সু খঙলিবনি। কাউরুনু, মখোয়না যিশু হায়রিবদু ইবুধৌ কৌব্রুবুনি' হায়না তাকপীবদগী মখা তানা খঙবা ঙল্লকখি মদুদি ইরমদমসিদা লৈরিবা লাইয়ামশিং অমদি লাইয়ামশিংগী লৈফমশিং মখোয় মখোয়গী ওইনা চানবা লাইশিংগী মমীংশিং অমদি লাইফমশিং মমিং থোনজিনবনি। লাইদি অমৎতনি। নোং হাংহনবিয়ু হায়বসিদি কৌব্রু লাইবু খুরুম্বা চৎপশিং লোয়না মিকুপ খুদিংগী শোন্নখিবনি। মীয়ামগী অৱাবগী খোল্লাউ তাবিবদগী ওইরম্বসু য়ারিপোৎনি। অচেৎপা থাজবনা লাইনীং খুদিংগী অশেংবা মচৎনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি থিজিন লৌশিংনা নুমিৎতুগী অওনবা ফীভমদু খঙঙল্লোই।

ইনাৎকী লাইনীংদা লাইনা শেম্বা মীওইবা ঐখোয়গী মালেমগী ওইনসু খেন্নবা লৈতবিদা, তাইবঙ মীদি নুংমিৎ-থাশিং-কুমশিং খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা পোকশিল্লকপনা মালেমগী অপূনবা পাক চাউবদি হেনগৎপা য়াদবনা (হোংবা নাইরোইদবনা) মালেমদা লৈবা চল্লক্তবা/য়ামশিল্লকপা হায়বসি মশানা তারবনি। মালেম লৈমদি পুবা ঙমদ্রে। অদু নোংদা মালেম লৈরোল হনবী তম্ফা হৈকোয় চনুনা মপন কুরুমলেল শিদবদা খুরুম খাজংদুনা - নমোম্না মালেমবু পুবা খাঙবা ঙমদরে অসুম হায়না হঙ্গৎচরে। মমোমগী চেংলৌ উবদা হয়ি শিদবনা নুংওনখিদুনা ইমোম নঙগী অৱাবদু কুবীগে ৱাগনু হায়না থেমজিনবিরে। মদুদগী তেংপানবা মপু শিদবা ইবুংঙো মহাক্লা মপারি অতিয়া শিদববু কৌরগা 'নঙনা তাইবঙ নমু শেমঙৈদা মখোয়সিবু লাংলম তরেৎতা লাং থাকখিদব্রা? হায়না পাউহংলে। মদুদা অশিবা কৌবা লাইনা 'লাংলম তরেৎতা লাং থাজখি' হায়না পাউখুম্বদু তারগা তাইবঙ মরু অঙন-অথেঙবা নাইদব্রা হায়বগী মতাংদা অঙন অথেঙদি নাইনজখিয়ে। "পারী নঙনা তাইবঙপানবু শেমলকপদি নপন কোলোয় শোয়ফরেদা। হয়ি শিদবনা তাইবঙ মরু লোকও হায়রগা লোক্তবদি কদৌ নোংগীনা হায়না হংবদা - 'নদাইরেমদি অঙল অথেঙ খঙজদরে' হায়না পারি ৱাপীহন অশিবনা পাউখুমখি। শিদবা মপুনা অমুক তাকপিরে- 'হে পারি ও! নমু তাইবঙনা শাৎপা তরুকনি শুবগী য়ুপাল হৈশোয় থাবদা, তাইবঙ মাগী লাইবক খেল্লাই থোঙদা অফবা তৌজরকপা মতিক-মলনা য়াইফ নুংঙাইনা পোকলু-ও। ফৎতবনা য়াইথিনা পোকহল্লু, মানা মানা তৌজবা মহয়না তাইবঙ মপোক তালহল্লু য়েকখ্রবনে। অদুগী নঙনা তাইবঙ পানবা অসিবু অথেঙ অঙল য়েংনা মরু লোকলু-ও। কোলোয় নমিং থোনবু খমনুং থোঙঙারেল হায়না কৌরো"

তাকপীরে। অসুম্না অশিবা লাইনা খমনুং নিংথৌ থোঙঙারেল কৌনা লাংওল্লগা চীংঙু অরূম্বা, খোইয়ুম অঙাইবা, খমনুং শিদনুকী কিকোই নুংওনকী অহুমমকপু কৌশিন্দুনা 'শানৌ খোইয়ুম, নঙখোয় অহুম্না তাইবঙপানদা চৎতুনা পুন্সি চেঙজেল লোইবা তাইবঙ মীবু ফাদুনা পুরকউ হায়বগা লোয়ননা য়াংলৌ লম্বী অশুকপদা ঙাইখমলু থৌশিরক্লে। লৈনুং থোঙঙারেলনা হেক ফারবা মীদো অনা লাই নখোয়না নাহল্লো হায়দনা লাইফমদা শং দাক্লক্লে। তাইবঙদা য়াংগোইগদবা লাইশিংদি লাইফংথৌ (লাইবুথৌসু হায়নবী মাপননে, লাই নুরা তরেৎনে, য়াখংলোই নীপান্নে, লাই হিংচা তরেৎনে, ইরাই লৈমা, ঈখৈ নিংথৌগা, নোংদোল পাখঙবা লায়না মখল কয়ানচিংবগী লাই লোইনা তাইবঙপান্দা থৌশিরে। অসি পূম্ন মক নাহল্লগা থেমথোক্লবা (হায়বদি থম্মগা পুথোক্লবা) খম্নুং কিকোই নঙসু তাইবঙদা য়াংগোইখিও। অহানবদা তাইবঙনা চোকথা নোংদা পল্লেম পন্থৌ শানবা হায়বদু খম্নুং কিকোই নুংওনবীনা য়াখিদবদা খম্নুং নিংথৌনা - তেংপানবগী মতুংদা খোইমোম নঙনা তৌগে হায়রবদা ঙমদবা লৈরোই - কোরৌ, লৈথক, লৈখারোল অহুমমক্তা কোলোয় নমিংবু হোংল হোংলদুনা তাইবঙবু লাউয়োক্লিমীনিনা শানৌ নঙহাকপু নৎতনা তাইবঙ মরু লোকপীনবা কনা লৈতেয়ে, থোক্তবদি য়াদে হায়না নাউথেমদুনা তাকপীবদগী, তুংদা কিকোই নুংওনবী হোয়াদুনা খোইয়ুম লাই অহুম্না তাইবঙ-পান্দা তাইবঙ মরু পোকপা লাক্লে।

নহাল নোং মপুনা পীখিবা নুমিৎ চয়োল তরেৎমক্লা চায়দ-কিশি লাং থাক্লবা হায়বদু মথক্কী লাই অহুম্না লৈরক কোন্সাংদা থাকপা লাং অসিবু তাইবঙনদি উদবনিনা চঙলুবদগী থুবদু অদু নোংদগী চীংঙু অরূম্বা, খোইয়ুম অঙাইবা অনীনা ফারগা অনা-অয়েক থোকহনবা ঙম্বা লাইশিংনা চঙলে। অদু মতমদদি তাইবঙ অদু হইরাঙ নাহে চন, থোঙনাং কাউবী মনা নীক, তৌরঙ ফজবা-নরক্লে। ঈগী ঈরম চুমহনদরে, নুংশিৎকী মনীঙ তমলক্লে, মিহুলগী পৌরোন লোল্লক্লে। তাইবঙ মীদি অমল শীকুম্বসু য়াওনরক্লে। শীকুমদবনা ওন্না থোইনা তৌরাঙ ফকচা-ননা খাঙলক্লে। হয়ু মনুঙ শঙবগী (হায়বদি অনাবা নাহেবগী) তাউজিং হৈগ্রি কেনবগুমলে। শিবা তোইশিল্লক্লবনিনা তাইবঙ মীবু লৈরোইদৌরে, লাইয়ামদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীনিঙাই লৈরক্লরোইদবনা লাইয়াম কান্নরোইদৌরে হায়না খোইয়ুমশিংনা হয়ি শিদবা মপুদা হং ৱাকৎনা হংগৎলে। অদু নোংদগী শিদবা মপুনা পারী অতিয়া শিদবা অমদি খম্নুং কিকোই নুংওনগী অনীমকপু কৌরগা অতিয়া শিদবনা অমাইবা ওইনা ঈরাৎ থৌনি, হিদাক লাংথক থাদুনা, উশিন শিলহনবিদুনা লায়েংলে। খম্নুং কিকোই নঙনা অমাইবী ওইরো, শরীক চোমচাউ খিংলে, ছীর চামাবু শেৎলে, থাঙঙা লাইরম পাৎকী কোলোয় পাউজেল-ও। হৈরু চেঙজেল (পুন্সি) লোইদবদি অনা লাইকোক্কনি। হৈরু চেঙজেল লোইবনা অমল শীকুমগুনো' হায়না পাউমেল্লবদা অমাইবা, অমাইবী ওই।

অদু নোংদগী চীংঙু অরূম্বনা য়াংলৌ লম্মখাঙদা ঙাইদনা ফারগা লাই অমনা হেক চঙদুনা নাহনবদো হৈরু চেঙজেল লোইবনা তাইবঙ পুন্সি নোংমল্লে। লোমদবনা ওন্না থোইনা তৌরাঙ ফক্তা ওন, লুতুং খোইবাক খোইরা শা, খরায় লায়কন্নদুনা হৈ নাহদুনা লৈবদো অমাইবা অমাইবী লাক্তনা/চৎতনা অনা লাইশক তাল্লরবা/খঙদোল্লবা মতুংদা ঈরাৎ থৌনিদনা তীনকোকলে, লাইকোকলে, হে পারী-ও । তাও, হৈরু চেঙজেল লোইদবনা অমল শীকুমখিরোইদবনা তাইবঙদা লৈহৌরে।

মসিবুনি তাইবঙপানসিদা তাইবঙনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অমাইবা, অমাইবী, মতমগী মতুং ইন্না লায়েংবা ডাক্তরশিংগী মনাক্তা চৎলগা লায়েংবা মতমদা শিবসু য়াওবা, হিংবসু য়াওনরিবসি। মীনা শিনবা ফুবদা, নোংমৈনা কাপ্পদা, গাড়ীনা তকপদা শিহৌদনা হিংলিবা ময়ামসিবুনি হৈরু চেঙজেল লোইদবনা, পুন্সি চেঙজেল লৈবদগী অমল শীকুমদবনি/শিদবনি হায়নরিবসি।

'হয়ি হয়া, শিদবা মপুনা য়াইফরে'।

# ওপোজিসন কেকু ফোঙলকপা

**নন্দা দেবী**

**মণিপুর** হায়গদ্রা ইম্ফাল হায়গদ্রা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা ভোট অমা ঙরাংদমক লোইখ্রি। মথং ভোট অমগী অমুক শিন্থোঙ শিনবা হৌনরে হায়বসি পেরুক য়োনবী অমনসু খঙলবা থবকনি। টার্ম অহুম শুরক্লবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগা মীয়ামগা মরম কয়াদা য়েৎনদুনতা লাক্লি। মসিগুম্বা চয়েৎনবা ৱাথোক অদুগা লৈখায় অমত্তসু তানখিদ্রবশিংগী মরমদা অপীকপা লাইরিক তম্বদমক হৌরিবা অমনসু খঙলবা ৱা ঙাক্তনি।

লাইরিক তম্নবা অঙাং অমত্তসু লৈত্রবা মহৈতম্ফমশঙশিংগী ওজা কোকথোঙ অমা লৌশিনবা, পেন্দবগী ৱাকৎচবা মহৈ তল্লিবশিংদা পুলিসশিংগী লান তম্ফম ওইবা, সেক্যুরিটি কুংখ্রবা খ্বাই কৈথেলদা বোম পোকখায়বা, ময়াং ইম্ফালদগীনা নুঙ্গৈ ফাওবা কোনশিন্নবা হোৎনরিবা ৱাথোক, ফম পায়মিন্নরিবা লৈবাক ঙাক্কদবশিংনা ঐগী মীগী হায়দুনা খায়দোকপদমক হৈবা পুনশিনহনবদি হৈতবগী ৱাথোক, লন্নাই নুংশিনদবগী লমন খুম্নবনা লৈবাক্কী ৱা ওন্থোকপদা মসিদি লন্নাই খৎনবনি নৎত্রগা হাৎনবনি হায়বা শেংদোকপা ঙমদবগী, কেরোসিন য়েন্দবগী, নিয়ম চুম্না থবক হাপ্তবগী অসিনচিংবা হায়রগা থমজরগে থাবদা লোইবা নাইরোহৈ। য়ামখ্রবা চয়েৎনবা লৈখ্রবা কয়াসিদা লৈঙাক পায়হৌদবা ভোটতি কাখিবা এক্স-ৱাইনা চেক-মোক লাউখিবা লৈতে হায়না খল্লি। মসিমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী টার্ম অনী অহুম অসিদা চপ মান্ননা লৈ।

অদুবু হৌজিক হৌজিকসি ফুদ সিক্যুরিটিগী থবক পায়খৎপা, আই এল পিগী বিল হন্দোক্লকপা অমদি অনৌবা অমা শেম্নবগী হৌগৎপা হায়রিবা অনী অসি ফোং ফোং শারি। মসিগা মতাং চাননা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা ময়োলদা পাল্লি। ময়োলগী লৈঙাক্লা অহানবা পায়খৎপা থবক ওইনা ষ্টেট পূম্বগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী লন্নাইগী মরল-মথুম থিগৎপা, মীচমশিংদা কান্নবনা হোৎনবা থৌশিলশিং য়েংশিনবনচিংবা খরা তৌনি হায়না তাখি। মসিগী য়েংশিনবনচিংবা থবক অসি ওফিসিয়েল ওইনা তৌই। মীচমশিংনা ময়েক শেংনা উবা য়াবা থবক ওইদে।

অদুবু হন্দক্তি মণিপুর হায়গেরা ইম্ফাল হায়গেরা মীচমসু থৌনা লৈরক্লি। ওপোজিসনসু কেকু ফোঙলক্লি। মসিমক্তি লৈবাক্কী থৌদাং লৌবসু ঙমজদবা, ভোট লেপ্পসু ঙমজদবা, পুংচম চম্বা মীচম ওইবসু ঙমজদবা, লাইরিক তমজরুরবসু থবক্কী চাংয়েং য়াওজরুবসু লৈঙাক্কী থবক তৌনবগী লম্বীদা চৎপা হৈজদবা কাঙলুপ ঐখোয়গীদি য়াম্না নুঙাইবা কুম্মৈনি। তুংদা লেপ্পীনবা অমা লৈরবদি অপং থৌনা হায়গদ্রা অশিংবা ৱাখল হায়গদ্রা থৌনা ফবা মানবগী থৌওং তৌনবা লমদমগী মীওই মশীং য়াম্মী। মসিনা মরম ওইরগা ওপোজিন লৈবা মানবগী থৌওং অতেনবা মতমসিদা উবা হৌরে। লমদমসিগী অপীকপা কাঙলুপ কঞ্জনবা আই এল পি ঈহৌদা তুংগী আশা থম্বা য়াবা রোবিনসন শিহনখ্রে। কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে। মসিগী ঈহৌ অসিদি লমদমসিগীনি। চীং-তম পূম্বদা খুন্দারিবা ঐখোয়গীনি হায়বসি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা কয়ানা মরম মুন্না খঙজদবা কয়াবু মীচং খোমদুনা ঐখোয় মশেল খায়বুং খায়বুং তাহন্নবা ঈহৌনি হায়নবা কন্না হোৎনরি। জুন ১৮ অমুক লাক্লবা শিল্লি হায়বসি অতাক অফোঙনবা ৱানি। সেন্টর লৈঙাক্কী অকনবা পান্থোম্না ওপোজিসন ওইরিবা লমদমসিগী তঞ্জায় তাদৌবগী থরাক থরাক য়াল্লবা ৱাফমসি শৎ হেক শমজিনহনবা ঙম্বগী থৌনা অদু পুমচম চম্বা খরনদি খৌরাংলি। ঐখোয় শ্বাইগী মিদিয়াদা কৃক-কৃক ইন্নদুনা লৈদৌ শরুক ময়োলদা খুদোম্বীনা চক থিল্লুরবদি কান্নগদ্রা খল্লি। অদুবু থৌনা ইথুপ থুপচিনবগুম উরি। লৈবাক ঙাকলোন্দা ওপোজিসন মমিৎ পাঙবসি য়াম্না তঙাইফদে। ইলেক্সন কেম্পেনগী মওংদা থোকপা মীকপ খূৎথোক অসিদি ৱাকৎ মীফমদা য়াওবা ঙমজদবা ঐখোয়দি খোয়দৌ থিৎলি। সেন্টরদা পানখিবা পূম্নমক নৎত্রগা সেন্টরদা ওপোজিসন ওইখিবা মপাঙ্গল কনবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ অমত্তনা লমদমসিদা ভোট ময়াদা নত্তনা লাকত্রি হায়বা য়াই। অতৈ ষ্টেটতদি হি লুপ্পগীসু, গাড়ী থেঙ্গায়নবগীসু, বোমনাও অমা পোকখায়বগীসু, ঈশিং থুম্বগীসু করিনো মরম অমদা সেন্টরগী মীহুৎ হেক্তা চৎলি। অতৈ থমখ্রগা খ্বাই কৈথেলদা বোম পোকখায়ববু কনাসু চেক-মোক লাউখিদে।

লমদমসিগী পাউ অমত্তা সেন্টরদা দঙ পানগদবা পাউ মিদিয়া (মপানগী) দা য়ৌবা ঙমদে। লো-আইননা তৌবা য়াবা ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ য়েনবদা, থবক হাপতোক হাপচিনদা, হেন্না থৱায় লুপশিন্নৈ। অহল ওইরবশিংগী পেন্সন য়েনবদা ফুরিৎখাউদগী পীবদৌনা লোকেল মিদিয়াদা হাপ্পী। লমদমসিগী ওইবা লম্বী অচৌবা নৎত্রগা লৈরক্লচিংবা অমত্তা হন্না য়েংদে। জিরি লম্বীগী মক্রু থোংগী মাইল মরি মঙাখক্তু শলাক শারিসি কয়াম কুইরগে হায়বসি খঙলবসু করি নত্তবদৌনা লৈথোকপদা নাচুংদে। করম্বা মীকপ খূৎথোক্লো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। টার্ম কয়ারক্তা ওপোজিসন লৈ হায়বগী মওং উদ্রবসু হন্দক্কী টার্মসিদদি ওপোজিসন লৈরমাল্লে খনবা হৌরুবা মীচমনদি নীংবা ইথুং থুংদ্রি। ফিজেৎকী মতুং ইন্না মীগী ৱাখল হোংই হায়নৈ। মসিমক্তি চামদা মরিফুতরা মাপন চুমই হায়বা তাই। অদুবু পোলিটিকেল পার্টি হোংবা মতমদসু পার্টি অদুগী অফবা আইদোলোজি অদু ৱাখলদা পোক্লবদি অদুগা মদুমক থবক্তা ওন্থোক্লবদি ওপোজিসন ওইরবসু মপাঙ্গল অদুমক কনগনি। থবক হাপতোক হাপচিন, চেঙ য়েন্থোক য়েনশিন, পার্টি ফৈ-ফত্তেনচিংবা লন্নাইগী ৱা, লোগী ৱা ইতোৎ তোৎশিন্নদুনা মতম মাঙহনবগী মহুৎ লমদমসিগী অপূনবগী ৱাফমনা মরু ওইবগী মনুং চলহল্লসি। য়াম্না লায়বা থবক হায়রগনা লৈরক খুল্লক, নালানচিংবা শেম্বনবু হেন্না ফৈ নৎত্রগনা লমখৈগী খুনশিং থুংনা কোয়বীরগা অৱাৎ-অপা খঙদোক্লগা লম লমদুগী ইলেক্টৈদ পার্সনশিংদু চৈরাক ফংহনবনা হেন্না কান্নগনি। ভোট ময়াদা মথি ফোংবা, কাখ্রগনা ঐগী-মীগী খায়দোক-খায়জিন তৌবা, লায়রবগী শেন্থং মৎলগা মরল শাবা, লাইব্রেরি শাদুনা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনদনা কম্যুনিতি হোল শাজিন্দুনা অইং অশা খল মাঙহনবদা মতেং পাঙবা, বি পি এলগী কার্দ নৎত্রগা ওল্ড এজ পেন্সন অমদি দিসএবলগী পেন্সন মরৈকায়গী মীশিং কনা কনাদা পীরি খঙদবা রুলিংগী ওইরসু ওপোজিসনগী ওইরসু ভোট কাখ্রবা মীওই অমতং ঙকথি চপ্তুনা পুথোরকপা ঙল্লগদি লৌশিং তানা মীকপ থোক্লে হায়বা য়ারে। তোঙান্না ভোট খোমদ্রবসু য়াদৌ মাল্লে খল্লি। ইরমদমগী খনবা লৈবাককী ইশুদা পূক্লিং চঙবা মতিং লৈবা ওপোজিসন লৈহন্দুনা রুলিং মীকপ থোকহনবগী তঙাইফদবদু লৈরি। মঙলাক্লবগী লাউবনা মীকপ থোকপা ওইহনগুমসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## দেল্লি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদগী** অফস্পা লৌথোকপগীসু দেল্লি
মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবগীসু দেল্লি
মণিপুরগী লমখৈ ম্যান্মারনা খোপচিল্লকপগীসু দেল্লি
মণিপুরদা এস এস সি এন (আই-এম) না লম হেল্লকপগীসু দেল্লি
মণিপুরগী জিরি লম্বী শেম্বগীসু দেল্লি
মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফত্তবগীসু দেল্লি।

মসিরা মনিং মখা তমজরম্বা মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদা পুল্লুবগী তিল্লুবগী কান্নবা অদু? দেল্লিগী অয়াবা অমত্তা য়াওদনা মনিংতম্না মশাগী ওইবা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমশিল্লক্ত্রবা মণিপুরগী লৈঙাক মপু অসিগী মরাইবক অসি য়াম্না লুরি। হীরম খুদিংমক্তা মীপান তাংশিল্লক্লবা লৈবাক অসি মতম অমদদি পীক্লবসু পীক্লা খুদৈ খোঙদাই শেৎলবসু শেৎনা মতিং লৈনা, মীনা লাকচবা য়াদনা মনিং তম্না পাল্লম্বা খা নোংপোক এসিয়াগী চীংলৈবাক অমনি। পান, মংগ্রা লৌরগা অমদি মাইরেন, হৈক্রক্তা ঙাল্লগা চাজরবসু মথৌনা লৈনা লৈজরম্বা য়েলহৌমীশিং ঐখোয় পূম্বা ঙসিদি করিসু লৈতবা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী ৱাথোক চেঙ খরগীদমক্তা হাৎতোক্লগদৌরে। কুমজা ১৭৬৯ দা বৃটিশ ওফিসর রোনেল দ্রাফমেন্না য়েক্লম্বা 'দোমেস্ত ওফ মেক্লে' হায়বা লাইয়েক্তুদা মণিপুরগী নিংথৌগী মখাদা লৈরম্বা পাক চাওখ্রবা লমখৈ অদু ময়েক শেংনা য়াওজরবসু ঙসিদি ম্যান্মারনা ঐখোয়গী লম অসি ফক ফক্তুনা লৌশিল্লকপদা করিসু হায়জবা ঙমদনা দেল্লিগী য়াকা য়েংদুনা লৈরি। অফস্পাগী বুলেট প্রুফ লিৎতুনা ইন্দিয়াগী লন্মীশিংনা ইরমদমসিদা মনিং তম্না খূৎলাই ওৱাইবা চঙলকপসিদা ঐখোয়দি ঙায়োক চফুগী ঙাগুম্না অদুম নুমিৎ ঙাইদুনা লৈনরি। এন এস সি এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগগী মরক্তা তৌনবা সিজ ফায়র অদু মণিপুরগী লমখৈদা লানশিল্লকপা য়ারোই হায়না থৱায় ১৮ কৎখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা মণিপুরগী অনৌবা এসেমব্লি হাওস অমখক শাহৌবা নত্তনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী লম মনুংদা এন এস সি এন (আই-এম) না ফোংনা ফোংনা মণিপুরগী মীয়াম্বু শিংনরকপা কয়াসিদা দেল্লিনা নারেং থৌরিদু পায়শিনখ্রবা ঐখোয়গী অঙম অথৌশিং পূম্বা করিমত্তা তৌবা ঙমদনা মথ্বায় হিংহৌরগা লোইরে, শেল খরা খরা ফংহৌরগা লোইরে হায়না খং দাক্তুনা মপুন্সি পঙলেন্দা লেন্নরি। য়েলহৌমী ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী, লাইনীং খুন্নাইগী শক্তম, কলচরেল হেরিটেজ, লৈবাক্কী লমখৈনচিংবা কয়াসি কঞ্জনবা হোৎনবদা দেল্লিগী অয়াবা য়াওদ্রবদি ঙল্লরোই হায়নগা খঞ্জরী । ঐখোয়সে কয়াদা তোল্লবা, পাঙদ্রবা ফুরুপনো হায়বসি ইশানা ইশাদা নোংমতা হংজদ্রবা ঐখোয়নি।

*অদোমগী - ইঙানব, উৎলৌ*

## মরোল থোকপা লাই

